# মিজোরামদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ইল্লিগেল ওইবা থবক থৌরমশিং চত্থবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি



আইজোল, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি): মমাং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা ম্যান্মারদা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা কু তৌদুনা ইন্থুখ্রবা মতুং মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা শেমখি। মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থবা কা হেনবা মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী ম্যান্মার নেসনল কয়া য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী ওইনসু ম্যান্মারগা তাইননা লৈরিবা মিজোরামদা ম্যান্মার রিফ্যুজি ৩০,০০০ হেন্না চংজফম লৌদুনা লৈরি। মীওইশিং অসিনা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ইল্লিগেল ওইবা থবক থৌওংশিং মরুওইনা ড্রগ, ফোরেন সিগরেট, সনা, সুপারী মরূ, মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা শাশিং অমদি অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী চাং হেনগৎলক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, ষ্টেট অসিদা ড্রগ য়াওনা অতোপ্পা ইল্লিগেল ওইবা থবক থৌরম কয়া চত্থরক্লিঙৈ মরক অসিদা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা মফম অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংগী মরক্তগী মখোয় মশাগী ওইবা লম লৈনবা হোৎনরকপা অমদি ব্যুজিনেসশিং তৌনবা হোৎনরকপদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখ্রে অমদি গভর্নমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা ম্যান্মার নেসনলশিং ষ্টেট অসিদা লম লৈবা নৎত্রগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ব্যুজিনেস তৌদনবা অকনবা ৱাফম থমখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা ইল্লিগেল ওইবা ব্যুজিনেস কয়া চত্থরক্লিবা অসিদা পুলিসনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎলকপা ওপরেসনশিংদা ম্যান্মার নেসনল কয়া য়াওরম্বগা লোয়ননা ফাগৎখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি অথুবা মতমদা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মিজোরাম গভর্নমেন্ট অমদি অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নদুনা পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌনবা খঙহনখ্রে। অমদি ষ্টেট এন জি ওশিংনসু হিরম অসিদা লৈঙাক্কী মতেং পাংনবা অপিল তৌরক্লি।



কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা অহানবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

# অমিত শাহনা ইলেক্সনগীদমক শাজিন্নবা ৱাফম কয়া অসামগী মীয়ামদা ফোঙদোক্লি




গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি): নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা লাকখিবা অমিত শাহনা অসাম মীয়ামগী মফমদা ওইদবা শাজিন্নবা ৱাফম কয়া ইলেক্সনদা মায় পাক্লবগী খল্লগা ফোঙদোক্লি অমদি ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা হিতেশ্বর সাইকিয়াবু হুন্দুনা ঙাওলিবা অসিদা হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা হিমন্ত বিস্ব সর্মনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি ওইজবা থিবগী ময়েক শেংলবা খুদম্নি হায়না অসাম কোংগ্রেনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অসাম কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় বোবিতা শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অসামদা থুংলখিবা অমিত শাহনা ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেস লুচিংবা অমদি অসামিস সোসাইটিবু কন্নবা হোৎনরমখিবা সাইকিয়াবু হুন্দুনা ঙাওলি। অদুবু লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা মখুৎ পায়দুনা পোলিটিক্সতা পুশিল্লকখিবা হৌজিক্লা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা হিমন্ত বিস্ব সর্মনা তুমিন্না তাদুনা লৈরিবা অসি অঙকপা পোকই। মসিনা তাকপদি বি জে পিদা য়াওরিবশিং মশাগী ওইজবা থিবা ঙাক্তনি হায়বনি। মসিদা হিমন্ত বিস্ব সর্মনা কাউরোইদবদি বি জে পিগী লুচিংবশিংনা মহাকপু পাল্লক্তবা মতমদা মতম অমদা হেক্তা পাউথোরক্কনি হায়বসিনি।

অমরোমদা অমিত শাহনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি অমদি পায়খৎলকখিগনি হায়না ফোঙদোক্লি। অসামদা বি জে পি লৈঙাক্লা করম্বা মখলগী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎখ্রবগে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। হৌজিক্তি বি জে পিগী মতম লোইশিল্লক্লে অমদি কোংগ্রেসকী মতম অমুক লাক্লে হায়রি।

# বাংলাদেশি খরনা ত্রিপুরা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা য়ুম অমা মৈনা থারম্লে : পুলিস

সেপাহিজালা, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ লৈবাক অনীগী লোন্নবা শরুক্তা লৈবা ত্রিপুরাগী সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টতা বাংলাদেশি খরা চঙশিল্লক্তুনা য়ুম অমা মৈনা তুম্না থারম্লে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা, য়ুম মৈ থারম্বগী থৌদোক অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবনি। অদুবু মীয়ামনা থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙলকখিবনা ঙরাংনি। সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাংলাদেশ ঙমখৈগা য়াম্না নক্কুনা লৈবাসোভাপুর ভিলেজদা থোকখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা বাংলাদেশি নেসনল খরনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লান্দুনা চঙশিল্লক্লগা ঙমখৈ মনাক নক্কা লৈবা মিজান মিয়া কৌবা মীওই অসিগী য়ুম মৈনা থারম্বনি। য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওহৌদ্রবসু য়ুম অদুদা লৈবা মাল চাং কয়াদি মৈনা তুম্না চাকখ্রে। করি মরমগীদমক বাংলাদেশি নেসনলশিং অদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরল্লিবনো হায়বা হৌজিক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অমরোমদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা বোর্দর গার্দ বাংলাদেশতা রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চানা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। বি এস এফ পর্সনেলশিংনা লৈতবা মতম য়েংলগা থৌদোক অদু চত্থরমখিবনি হায়রি।

# এ পি পি এস সী ক্বেসন লীগ কেসকা মরী লৈননা মীওই অমসু ফারে

ইটানগর, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশ পব্লিক সর্বিস কম্মিসননা কন্দক্ট তৌখিবা এসিস্টেন্ট ইঞ্জিনিয়র লৌবগী এগজাম ক্বেসন লীক ওইরম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা ঙরাং ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কেস অসিদা চেন্নবা মীওই ১০ ফাবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অরুনাচল প্রদেশ স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন সেলগী এস পি অনন্ত মিতলনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, কেস অসি হান্না কেপিটেল পুলিসনা পায়রম্বনি অদুবু পোলিটিকেলগী ওইবা খুৎ চঙলকপদগী এস আই সীদা শিন্নরকখিবনি। এস আই সীদা কেস অসি শিন্নরকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না মীওই ১০ ফাবা ঙমখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা আই পি সীগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং পানখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহং চত্থরি হায়রি।

# করপসনগা মরী লৈননা হান্নগী গভর্নরদা ৱাহং পাউহং তৌখ্রে

শিল্লোং, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি): মেঘালয়াগী হান্নগী গভর্নর ওইরম্বা থবক্তগী পোথাখ্রবা সত্য পাল মলিককী মথক্তা সী বি আইনা শেঞ্জা থুমজা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চত্থখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না, হান্নগী গভর্নর অসিদা ফাইল অনী ক্লিয়র তৌনবগীদমক লুপা ক্রোর ৩০০ গী ওফর তৌখি অমদি মহাক্লা ওফর অদুবু য়াখি হায়বগী মরালদা ৱাহং পাউহং চত্থখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফম ১৪ দা সী বি আইনা রেয়েদ চত্থখি। সী বি আইনা রেয়েদ চত্থখিবা মফমশিং অদু সত্য পাল মালিককা মরী লৈনবা ঙাক্তনি হায়রি। অমরোমদা মালিকনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি লৈঙাক অসিনা তৌরিবা অশোয়বা কয়া অদুবু মীয়াম মমাংদা ঙাঙলুবগীদমক মহাক্কী মথক্তা সী বি আইবু খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরকপনি। মসিদা মহাক্লা নাচুংদে হায়রি।

# ত্রিপুরানা অগর পাম্বী পাক শন্না থাদুনা ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা মীৎয়েং থম্লি

অগরটালা, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট খরনা চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা ওইল পাম পাম্বী থাদুনা ষ্টেটকী ইকনমি ফগৎহন্নবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা ত্রিপুরানা অগর পাম্বীশিং পাক্তক্লুনা থাদুনা ষ্টেট অসি শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা পান্দম থম্লগা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেটর ওফ ফোরেষ্ট কে এস সেথিনা ফোঙদোকখিবদা, অগর পাম্বী অসি থাবদা ইনভাইরনমেন্টতা করিগুম্বা মখলগী অকায়বা অমত্তা পীদে। মসি থাবদা শেল কা হেন্না চাদিং তৌদ্রবসু য়াই অমদি হকচাং কা হেন্না ৱাহন্দনা পাম্বী অসি লায়না হৌহনবা য়াই। অগর পাম্বী অসি হিদাক লাংথক শেম শাবদা শিজিন্নবদগী হেন্দোক্তুনা মনম নুংশিবা পর্ফ্যুমশিং শাবদসু য়াম্না শিজিন্নে। অদুবু হায়রিবা পাম্বী অসি থাবগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইরগা পাম্বী মখল অসি মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে। মদুনা মরম ওইরগা পাম্বী মখল অসি মালেমদগী মুৎখিদনবা অমদি মসিনা অরায়বা মওংদা শেল তান্নবগী ৱাখল্লোনদা ত্রিপুরাদা অগর পাম্বীশিং পাক শন্না থানবা প্লান তৌবা হৌরকখিবনি। হায়রিবা পাম্বী মখল অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী লৈহাওগা য়াম্না চুনবা ওইরি। অমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পাম্বী মখল অসি কা হেন্না হৌদ্রবসু ষ্টেটশিং অসিদদি চাং য়াম্না হৌরি।

ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনসু মমাং চহীদা অগর পাম্বী থাবগী পোলিসি অমা লোঞ্চ তৌখ্রে অমদি লাক্লিবা কুমজা ২০২৫ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌরিবা অগর পাম্বী মশিংদগী তঞ্চায় হেনগৎহন্নবা পান্দম থম্লি অমদি চহী অমদা অগর প্লান্টেসনননা লুপা ক্রোর ২,০০০ গী ইনকম লাকহনবা ঙমগনি হায়না ওফিসলশিংনা থাজনরি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চহী অমদা অগর চীপ কিলোগ্রাম ৭৫,০০০ অমসুং অগর ওইল কিলোগ্রাম ১,৫০০ পুথোক্লবা পান্দম থম্লি হায়রি।।

## CROSSWORD-3669



**ACROSS**

1 Mumbo-jumbo (5,5)
7 Criterion (8)
8 Replete (4)
9 Arab boat (4)
10 Somebody else (7)
12 Map-making (11)
14 Humble dwelling (7)
16 Excursion (4)
19 Preserved (4)
20 Broadcasting (2,3,3)
21 Searcher for minerals (10)

**DOWN**

1 Detested (5)
2 Frankness (7)
3 Stick around (4)
4 Common-or-garden (8)
5 Out of condition (5)
6 Drowsy (6)
11 Dazzlingly beautiful (8)
12 Selected (6)
13 Without fault (7)
15 Private instructor (5)
17 Previous (5)
18 Inflamed swelling on eyelid (4)

**Solution 3668**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | M | E | T | A | P | H | O | R | | L | E | O |
| T | | N | | I | | I | | E | | E | | T |
| A | C | T | E | D | | G | A | L | L | A | N | T |
| N | | I | | | | H | | U | | V | | E |
| D | E | C | L | I | N | E | | C | L | E | A | R |
| E | | E | | N | | R | | T | | | | |
| M | I | D | D | A | Y | | W | A | R | S | A | W |
| | | | | R | | C | | N | | K | | E |
| L | A | T | E | R | | O | U | T | S | I | D | E |
| O | | E | | E | | L | | | | L | | K |
| S | O | P | R | A | N | O | | A | W | F | U | L |
| E | | I | | R | | U | | R | | U | | Y |
| R | E | D | | S | C | R | A | M | B | L | E | |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4069

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 6 | 3 | | 7 | | | |
| | 4 | 5 | 6 | | | | | 7 |
| | | 9 | 8 | 2 | | | | |
| | | | 2 | 8 | | 4 | | |
| | 8 | | | | | | 9 | |
| | | 3 | | 9 | 4 | | | |
| | | | | 7 | 8 | 2 | | |
| 6 | | | | | 2 | 9 | 5 | |
| | | | 9 | | 6 | 7 | 8 | 4 |

### Solution-4068

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 5 | 6 | 3 | 2 | 8 | 4 | 9 |
| 6 | 4 | 8 | 9 | 5 | 7 | 3 | 1 | 2 |
| 9 | 3 | 2 | 4 | 8 | 1 | 6 | 5 | 7 |
| 2 | 6 | 9 | 1 | 7 | 3 | 4 | 8 | 5 |
| 4 | 8 | 7 | 5 | 9 | 6 | 1 | 2 | 3 |
| 3 | 5 | 1 | 8 | 2 | 4 | 9 | 7 | 6 |
| 7 | 1 | 4 | 3 | 6 | 5 | 2 | 9 | 8 |
| 8 | 2 | 3 | 7 | 1 | 9 | 5 | 6 | 4 |
| 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 8 | 7 | 3 | 1 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

**PARLIAMENT OF INDIA
(RECRUITMENT BRANCH, LOK SABHA SECRETARIAT)
EMPANELMENT OF CONSULTANT INTERPRETERS FOR REGIONAL LANGUAGES)**

****

Applications are invited from all eligible non-official Indian Citizens and retired employee(s) of Lok Sabha and Rajya Sabha Secretariats, Central/State Government(s), State Legislature Secretariats, Autonomous bodies, Central/State Public Sector Undertaking(s), Supreme Court of India / High Courts and local bodies for empanelment of Consultant Interpreters for Regional Languages on contractual basis in Lok Sabha Secretariat.
[Non-Official shall mean person(s) not serving in any Government Organizations, as mentioned above]

2. The details of number of Consultant Interpreters for Regional Language(s) to be empanelled are as follows:-
Empanelment of Consultant Interpreter(s) for 21 Regional Language(s)
Number of Consultant Interpreters to be empanelled
ASSAMESE / BENGALI / BODO / DOGRI / GUJARATI / KANNADA / KASHMIRI / KONKANI / MAITHILI / MALAYALAM / MANIPURI / MARATHI / NEPALI / ODIA / PUNJABI / SANSKRIT / SANTHALI / SINDHI / TAMIL/ TELUGU / URDU
05 (five) [for each Regional Language]

- Out of the 05 persons to be empanelled as Consultant Interpreters for each Regional Language, 03 persons shall be engaged as Consultant Interpreter, on contract basis, during the Session period and the remaining 02 persons in the said panel shall be kept on reserve basis to meet the exigencies of work.
- The 05 persons placed in the panel shall be rotated in such a manner so as to ensure that enough exposure is given to each of them.
- Provided that, subject to exigencies of work during the Session Period, services of more than 03 persons from the panel can be utilized, at a time.
- Provided further that, in case of non availability of sufficient number of regular Interpreters in Simultaneous Interpretation Service, the services of empanelled Consultant Interpreters can also be utilized during inter-session period. However, such engagement(s) during inter-session period shall not be done as a matter of routine. Such engagement(s) shall only be undertaken with due justification and with the prior approval of Hon'ble Speaker.

The empanelment of Consultant Interpreters shall be treated on a full-time basis during Session Period and, subject to requirement, on a part-time basis during inter-Session Period. For the period of full-time empanelment, Consultant Interpreters shall not be allowed to take up any other assignment(s), whereas for the period of part-time empanelment, they may take up other assignment(s), with prior intimation to the Secretariat. The Session Period shall be from the date of issue of Summon to date of prorogation of the 'House'.

3. The terms and conditions for empanelment of Consultant Interpreters are as under:-

I. EDUCATIONAL QUALIFICATION(S)
Master's Degree in English or any other discipline (with English as a compulsory/elective subject at the Degree Level) with regional language(s) concerned as recognized in the Constitution of India as a compulsory/elective subject at the Degree Level.
Desirable: (1) Experience in translation or interpretation work; and (2) Certificate in computer course recognized by All India Council for Technical Education (AICTE)/ National Institute of Electronics & Information Technology (NIELIT) or courses equivalent to 'O' Level in terms of syllabus and duration of course as prescribed by NIELIT.

II. AGE LIMIT
Only Indian citizens between the ages of 22 to 65 years are eligible to apply for the position of Consultant Interpreter. Age shall be reckoned as on the last date prescribed for receipt of application.

III. SELECTION PROCESS
Eligible candidates will have to appear in Oration Test / Written Test / Simultaneous Interpretation Test(s) as follows:
A. Oration Test: Candidates will be subjected to an Oration test which will be of 200 marks. During the Oration test, a candidate will be required to speak ex-tempore for 3 minutes in English and 3 minutes in Regional Language concerned on any one of the 7 topics in English and 7 topics in language concerned given to her/him. The objective is to assess fluency; language content; style, pronunciation and accent; material content; and voice of the candidates.
Only those candidates who qualify the Oration Test at the requisite standards will be allowed to appear in the Written Test.
B. Written Test: Only those candidates who qualify the Oration Test at the requisite standards will be allowed to appear in a Written Test comprising the following papers:-
(i) 50 multiple choice objective type questions each on General Knowledge & Current Affairs; General English; and General regional language concerned - 150 Marks (75 Minutes); and
(ii) Translation from concerned regional language to English of 100 Marks and from English to concerned regional language of 100 Marks (2 Hour).
Candidates will have to qualify both papers of the Written Test and components thereof at the requisite standards. Paper-II of only those candidates will be evaluated who secure the minimum qualifying marks in each component of Paper-I. Only those candidates who qualify the Written Test will be allowed to appear in the Simultaneous Interpretation Test.

HOW TO APPLY –
(i) The Applications are to be submitted in the prescribed format as given in Annexure. Candidates must fill up all the columns of application form properly in A4 sheet. Applications complete in all respects should be sent to:-
RECRUITMENT BRANCH,
ROOM NO. 521,
LOK SABHA SECRETARIAT,
PARLIAMENT HOUSE ANNEXE,
NEW DELHI - 110001.
Incomplete applications shall be summarily rejected.
(ii) The last date for receipt of applications is 31.10.2022.
(iii) Candidates should send their application in an envelope superscribing clearly the name of the position applied for on the cover of the envelope.
(iv) Applications which are illegible, not conforming to the prescribed application format and the instructions given in the Advertisement or received after the last date will be summarily rejected.
(v) Candidates should affix self-attested identical recent passport size photographs on the application form.
(vi) All particulars (except Residential Address) furnished by the applicant will be treated as final and no change will be allowed therein later on.
(vii) The candidates are required to furnish self-attested copies of both Certificates/Degrees, Mark Sheet(s) [Year-wise/Semester-wise clearly indicating the subject(s) studied], etc. in respect of each educational qualification mentioned in the application.
(viii) Only the Matriculation or equivalent examination certificate will be accepted as proof of date of birth. No other document will be accepted for this purpose. In case, the date of birth is not mentioned in the Matriculation or equivalent examination certificate of a candidate, she/he may submit a self-attested photocopy of the certificate of her/his any other higher educational qualification containing the required information along-with self-attested photocopy of Matriculation or equivalent examination certificate and also a self-attested photocopy of an affidavit to the effect that the date of birth is not mentioned in the Matriculation or equivalent examination certificate issued by the concerned Education Board.
(ix) The name of the candidate and her/his parents filled up in the application form by the candidate shall be the same as mentioned in the Matriculation Certificate.



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




